ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯲꯷, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯳꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, এপ্রিল ২৭, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ০৩৪ শুবা মশীং

# হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন

## *মীয়ামগী ৱাকৎ মণিপুর লৈঙাক্না তাবীগনি খল্লি*

***ইন্দিয়ন*** আর্মি, ষ্টেট ফোর্স, লালহৌলূপশিং অমদি লন্নাই মীওইনচিংবনা মীওই অমগী ফংফম থোকপশিং শোকপা থবক তৌরকপদা মীওই অদুগী রাইট কঞ্জনবগীদমক করি তৌফম থোকপগে হায়না নৈনরকপদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী য়াথং মতুংইন্না ষ্টেট খূদিংমক্তা হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন লিংখৎনরকখি। ষ্টেট এসেমব্লিগী ওইবা ৱারেপ লৌরবা তুংদা ষ্টেটকী ওইজবা লো শেল্লগা কম্মিসন অসি লিংখৎখিবনি। মরম অদুনা অসিগুম্বা কম্মিসন অমা মথৌ তৌহন্দনা থম্বা হায়বসি লৈবাক অসিগী চৎন-কাঙলোনগী মায়োক্তনি হায়না লৌবদা লানবা লৈরোই। ইন্দিয়াগী ষ্টেট পূম্নমক্কী মনুংদা মনিপুরসু মীওইবগী হক মাঙহনবগী ৱাকৎ লৈবা ষ্টেট অমা ওইনা মমিং য়াওরি। খূৎলায় পায়বা মশেলগী মরক্তা মুক্রুবা থোরকপা, লালহৌবগী ঈরাং লৈবা লৈবাক অমা ওইরুবা অমসুং ঈরাং অসিবু নমথনবগীদমক অফস্পা থমজিনবগা লোয়ননা লান্মী থাজিল্লকপদগী মীচম মীয়ামগী পুন্সি তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লৈরকখি। লালহৌবা নমথবগী মিংদা মীচম কয়ামরুম ময়ূমদগী ফাখ্রগা ঙসি ফাওবা থিবা খঙখিদবগী কেস ময়াম অমা লৈ। মরম চাদনা সেক্যুরিটি ফোর্সনা মীচম মীয়াম্বু তাথি-তাওইনা তৌবীবগী থৌদোক কয়া অমসু থোকখি। অসিগুম্বা থৌদোক কয়াগী মরক্তা মনিপুরগী মীয়াম্নসু মনিপুরগী ওইবা হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন অমা লিংননবা দিমান্দ তৌনরকখি। শাংলবা চহী কয়া দিমান্দ অসি ফংবা ঙমদনা লাকখ্রবা তুংদা কুমজা ১৯৯৮ দা চহী মঙা-মঙাগী ওইবা চ্যেরমেন অমসুং মেম্বর অনী হাপ্তুনা মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন থবক হৌহনখি। কম্মিসন অসি লিংখৎখ্রবা মতুংদা মসিগী কান্নবা কয়ামরুম মীয়াম্না ফংবা ঙমখি। মীয়াম মরক্তা হৌজিক হৌজিক হিংলিবা মীওই কয়া কম্মিসন অসিগী মপালনা অনৌবা মপোক অমা পীরম্বনি হায়না লৌবদা থোয়না লানগনি নিংদে।

মীয়ামদা মপাল নাইদনা কান্নবা পীরিবা মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন মতম শাংনা মথৌ তৌরুরবা তুং ইং ২০১০ গী মে ৯ দগীদি মথৌ তৌখিদ্রে। মথৌ তৌখিদবগী মরুওইবা মরম করিনো হায়বা ঙসি ফাওবা খঙদ্রবসু মতম অদুদা কম্মিসনগী চ্যেরপর্সন ওইরম্বা রিটয়ার্দ চীফ জষ্টিশ দব্লিয়ু এ শিশক, মেম্বর এস গৌরচান্দ, মেম্বর রিটয়ার্দ কর্নেল রাজকুমার রাজেন্দ্র অমসুং এনজি নোংয়াইগী থবক পুবগী মতম লোইখিবদগী অনৌবা কম্মিসন অসিগী মথৌ তৌগদবা চ্যেরপর্সন অমসুং মেম্বর অমা ফাওবা লৈঙাক্না হাপখিদ্রে। হৌজিক্তী কম্মিসন অসি মথৌ তৌরক্তবা চহী ৭ মপুং ফাজিল্লক্লে। করম্বা মতমদা কম্মিসন অসি হিঙ্গৎহনগদৌরিবনো হায়বা চপ চানা হায়বা ঙমদ্রি। শেল তিংদনা মীওইবগী হক মাঙহনবগী চৈথেং নংলবশিংনা লোগী মতেং লৌবা য়ারম্বদু লৈঙাক্না কম্মিসন অসি মথৌ তৌহনখিদবনা মরম ওইরদুনা মীয়ামদা হায়নীংঙাই লৈতনা খুদোংচাদবা থোকহল্লে। সেক্যুরিটি ফোর্সনা ফারগা মাঙহনখিবা, এরেষ্ট মেমো পীরমদনা ফাখিবা মীওইশিংগী খোঙ্গুল লীবা, মরম লৈতনা মীচম নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎপা, নুপী ফম্লানবনচিংবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা মখলগী ৱাকৎ কয়ামরুম হৌজিক্তী ৱাকৎফম লৈতবদগী তোক্লে। কম্মিসন অসি লৈরিঙৈদা ৱাকৎ কয়া লাক্লম্লগা হৌজিক্না অসিগুম্বা মখলগী ঈ-পাউ অমত্তা তাখিদবসিনা মীয়ামগী ৱাকৎ অমা ফাওবা লৈত্রে হায়না লৌবদি য়ারোই। মনিপুর পুলিস নৎত্রগা লান্মীনা লালহৌবা থেংনবগী মিংদা চত্থখিবা তোঙান তোঙানবা মীওইবগী ফংফম থোকপশিং খোঙ্গাওনবগী কেস কম্মিসন অসিনা লৌখৎলকপদগী মতম চুপ্পদা লান্মী নৎত্রগা পুলিসকী মীচং চঙদুনা লাকপা লৈঙাক্না কম্মিসন অসি থম্বনা কোক শাবা হেল্লি হায়না খনখিবা তানফম য়াওবদৌনা তৌরক্লে। অমরোমদা কম্মিসন অসিগী চ্যেরমেনগী ফম অসি থবক্তগী পোত্থারবা হায় কোর্টতগী তাদবা কোর্ট অমগী চীফ জষ্টিস অমনা পুগদবনি হায়বসিনা লৈবাক অসিদা চীফ জষ্টিস ফংদবগী মিংদা কম্মিসন অসিগী চ্যেরপার্সন হাপ্পা ঙমখিদবরা হায়বা ৱাফম অমা লাক্লে। লৈবাক অসিগী ষ্টেটশিংদা লৈরিবা হায় কোর্টতগী রিটয়ার্দ তৌরবা চীফ জষ্টিসকী মশিং অসি অদুক হাক্লা য়ামদে। রিটয়ার্দ ওইরবা চীফ জষ্টিসশিং অদু মখোয়-মখোয়গী ষ্টেটতা তোঙান-তোঙানবা কম্মিসনশিংগী চ্যেরপার্সন ওইনখিবনা মরম ওইরদুনা মণিপুরদা হায়দোক্তুনা লাকপীয়ু হায়বা পাক য়াদে। লাকখিবা খরদুসু মখোয়গী ফংফম থোকপা, তঙাইফদবশিং অদু নিবদৌনা তৌরকপদগী মতম শাংথনা মণিপুরদা লৈবীয়ু হায়বা য়ারকখিদে। মতাং অসিদা পঙ্গনিংবা ৱাফমদি নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা বি জে পিগী চুংশিন্নবা অনৌবা লৈঙাক অসিনা মীওইবগী ফংফম থোকপশিংগা মরী লৈনবা ৱাকৎশিং মনিং তমহনবা য়াননবগীদমক মণিপুর ষ্টেট হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন অথুবা মতমদা লিংখৎতুনা মতম শাংনা হাংলক্লবা কন্সটিট্যুসনেল পোষ্ট অসি মেনশিন্নবা মিৎয়েং চঙবীয়ু হায়জনিংই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## মতিক চাবা চৈরা পীবিয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

***অথেংবদা*** থাবল চোঙবগী নামাদা অচিকপা চীংয়াগী অশোংবা লম্বীদা লৈরম্বা চহী নৌরিবা নুপীমচা অমদি নুপামচাশিং কুপ্না থিগৎপীদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীবিয়ু। তাহৈ উহৈদ্রবা থৌদোক কয়ানা থল্লবা লমদম অসিগী অশানবা যূমদা লৈবী চহী নৌরিবী মহৈরোয় অনীনা নুপামচা অনীগা পূন্না থাবল থিবগী নমাদা অথেংবা চীংয়াগী অচিকপা লম্বীদা লৈরিঙৈদা ৱাক্কিং চৎপা নুপামচা তরেৎকা থেংনদুনা হৌখিবা এপ্রিলগী তাং ১৪, ২০১৭ কী নুমিদাং অথেংবদা খুরাই অঙোম লৈকায় লাইচীং চীং মখোংদা থোকখিবা তাহৈদ্রবা অকি তুজুংলবা থৌদোক অদু তরাইনা লৌফম থোক্তে।

অমরোমদা মীতৈ ফুরুপকী নুপী অমত্তনা নুপাগুম লৈকায় লান্না থাবল থিবা ইপা-ইপুশিংগী হাক্তক্তগী চৎনরক্তে অমসুং তৌনদে। অমম্বা অথেংবদা মনীংতম্না চৎলিবা নুপীশিংনা লমদম অসিগী চমজরবা চনুরাশিংগী মাইদা অমুবা কালি তৈশিল্লি। তশেংনমক অচিকপা চীংয়াগী অশোংবা লম্বীদা নুপীমচাশিং লৈরমদ্রবদি তাহৈ-উহৈদ্রবা থৌদোকশিং থোক্লমদবসু য়াই অমসুং তাঞ্জা ফংলমদ্রবদি সাধুসু হুরানবগী থবক চত্থরল্লোই।

নুপীমচানা নুপাগুম থাবল থিবা কোয়না চৎপা অমদি ফিজেৎ চাকচা কয়ানা ফত্তবা তাহৈদ্রবা থৌদোক কয়া থোকহল্লি অমদি নুপী কয়াগী পুন্সি খাঙুথক্তা মাঙহল্লি। মরম অসিনা ৱাখল তাদ্রিবা পাখঙ লৈশাবীশিংগী থৱায় হাপ্লিবা থাবল চোঙববু মখা থেংথনা শিল্লিবা অমদি মরী লৈনবশিংবু মতিক চাবা চৈরাক পীবিয়ু।

*অদোমগী - কে ঐচ পলান্দ্রা সিংহ*
*টোপ অৱাং লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৯

১। ‘‘মৈতৈ অমা লাকই/থাঙ পায়দুনা লাকই/চিংনবা লৈতনা চঙখি/থাঙনা য়াল্লে গোবিন্দগী সিংহাসন্দা’’ কবি কনানা হায়বনো?

২। ‘‘ঙসি কৌবা নুমিৎতগী মাম্মবু ঐনা... বাবা কৌজরবনি।’’ পরেংসি ক্ষেত্রি বীরগী নোভেল অমদগী লৌথোকপনি। করম্বা কেরেক্টরনা হায়বনো?

৩। ‘‘সুখলাল জ্ঞান মাঙনা মিৎ উইশিল্লকই/...ৱা ঙাঙদনা ফমুংদা উতুপ তাবগুম হাইথরকই।’’ পরেং অনীসিনা ক্ষেত্রি সুবদনীগী করম্বা ৱারীমচাদগী লৌথোকপনো?

৪। এম কে বিনোদিনীগী ‘অশংবা নোংজাবী’ ইংরাজিদা হন্দোকখ্রে। কনানা হন্দোকপনো?

৫। নৈন-ৱারেং ‘চোইজাইনবা ৱারেং’ কনানা ইবনো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং
কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# ঐখোয়বু ৱারেপ লৌবা তমসিদা!

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

***ৱাহং*** অমনা ৱারেং অসি হৌজগে। অদোম করিগুম্বদা ইশাগী ওইবা ‘অরুবা ৱারেপ’ অমা লৌবীখ্রবরা? অচম্বা ৱারেপ নত্তবা, তশেংনমক অহকপা। ৱারেপ্তুনা মরম ওইদুনা ইশাগী পুন্সি অদুদা অওনবা অমা ওইহনখিবা, অহোংবা অমা লাকহনখিবা! হায়বদি, ৱারেপ্তুগী মতুংদা, নুংঙাই-য়াইফ ওইরকপা! নৎত্রগা, খম থেংনা নীংবা কায়বা! ৱারেপ অমা লৌরবা, অনীসিগী মরক্তা অমা ওইবা শোয়দ্রবনি। নৎত্রবদি খনবীয়ু- অদোম ৱারেপ লৌখিদ্রি।

ৱাফম অসি অদোম্না নহানমখৈ লুনা খল্লুদবা ৱাফম অমা ওইরমগনি শোয়দনা। ৱারেপ লৌবা হায়বসি মী অমনা তরাইনা হেক্তা ঙম্বা নত্তে। মীওইবগী থোইদোকপা গুন অমনি। দিসিজন মেকিংগী গুন, মী চামগী মনুংদা অমত্তনি চেল্লমগদবা। দিসিজন মেকিং, লীদরশিংগী তাঙলবা ‘লীদরসিপ ক্বালিটি’ অমনি। লীদর হায়বসি মীনা শেম্বা য়াদবা, মশানা ওইজরক্কদবা তোপ তোপ্পা মতৌ অমনি (লীদরস আর বোর্ন, নোট মেদ) হায়নৈদনা পূম্নমক্কা। ৱারেপ অমা লৌরমদাই, নঙ-ঐ-মা, কনাগুম্বা অমনা শোয়দনা মায়োক্নরগদবা তানফম অমা শোয়দনা লৈ। লম্বী লমফাং অমদা লেপ্লগা, ঐনা করম্বা লম্বীদা চৎলগা ঐনা য়ৌগে খল্লিবা মফম অদু য়ৌগদগে- খনফম খঙদবা অদুগুম্বনি। লম্বীশিংদুগী মনুংদা অমদি শোয়দনা ঐগী পন্থুং তাবা লম্বীনি হায়বসিমদি শোয়দ্রবা! অদুগুম্বা তানফমদা ঐখোয় খুদিংমক্না পাম্মি - কনাগুম্বা অখঙবা (হান্না পন্থুংদু য়ৌরুরবা) অমনা ‘সিদা চৎলু’ হায়না তাকপীরকপা। কনাগুম্বনা চৎলুই, লাইবক য়েংবীদা, খোঙদুনা চিংবা লম্বীদা। অরানবা লম্বী নৎত্রগা অচুম্বা লম্বী - করম্না মশক খঙগদগে? খঙবা ঙম্বা অদুনি - ট্রু লীদর, অশেংবা লুচিংবা। কনাগুম্বা অমনা লৌখিবা ৱারেপ - অরানবনি নৎত্রগা অচুম্বনি হায়বা অদুদি থবক অদু তৌরবা মতুংদা, তুংওইনরকপা মহয়দুনা তাকই।

লৈবাক অমা শেমখিবা নৎত্রগা মাঙহনখিবা ৱারেপ কয়া লৈখ্রে মীওইবগী পুৱারীদা। অসিগুম্বা ৱারেপ - লৈ লৈবাক খুদিংগী। কনাগুম্বা খরনা মরন্নাই লৌখিবা ৱারেপ্না অঙকপা অহোংবা পুরকখিবা - থোকখ্রে, লৈবাকসিদসু মশীং খঙদনা। অদুগুম্বা ৱারেপ খরদং নীংশিংদুনা শান্নসি ঙাইহাক পুঙ্গোয়। য়েংসি, ইশাদা করি ফাওবগে?

কুমজা ১৮২৯, বৃটিশ ইন্দিয়াগী গভর্ণর জেনরেল ‘লোর্দ ৱিল্লিয়ম বেন্তিঙ্ক’না, মতমদুদা ইন্দিয়াদা পাক্না শন্না চৎনরম্বা ‘হিন্দু নুপী অমনা, নহা অহল খাক্তনা, মপুরোইবনা শিবদা মশাবু মৈ থাদোক্তুনা শিজবা, সতি ওইব’গী চৎনবী মুত্থৎনবা ৱারেপ লৌখি। মতমদুগী হিন্দু ফন্দামেন্টেলিষ্ট (লাইনীংদা হকচিনবা কাঙবু) শিংনা, মীরৈবাক মচা লৈঙাকপনা ইন্দিয়নশিংগী থম্মোয় ইহুল অমদি পারি-পুরিগী-চৎনবী শীংনৈ হায়দুনা বৃটিশশিংগী মায়োক্তা কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোকখি। লৈরক খুল্লক ঈহৌ হৌখি। মতমগী খোঙলৈ তুংইন্না, বেন্তিঙ্ক’কী ৱারেপ অদুগী অচুম্বা অমদি অফবা, ইন্দিয়নশিংনা খঙলকখি।

বৃটিশ সম্রাজ্যগী মখাদা অচৌবা, অপূনবা ইন্দিয়া অমা ওইনা লৈরম্বদু, অকনবা, ঈ নাই তাদবা (নন ভাইওলেন্ট ওইবা) শাংলবা লালহৌ অমগী মতুংদা, নীংতম্বা ইন্দিয়া অমা শোয়দনা শেল্লগনি খঙলকপদগী মুসলিম লিগকী লুচিংবা ‘মোহম্মদ অলি জিন্নাহ’না ‘টু নেসন থিওরি’ হৌদোল্লকখি। মুসলিম মীয়ামগী মপা শকপা লুচিংবা জিন্নাহ’না ৱারেপ অমা লৌখি - ‘বৃটিশ ইন্দিয়াদগী নীংতম্বা নুমিৎতা, মুসলিমখক্তগী ওইবা লৈবাক অমদি হিন্দুশিংগী ওইবা লৈবাক অনী থোক্না খায়দোল্লগা নেসন অনী শেমগদবনি’। অচেৎপা, অহকপা ৱারেপ ওইবনা ইন্দিয়া অনী থোক্লকখি - হিন্দুস্থান অমদি পাকিস্তান। হিন্দুশিংনা, পাকিস্তান ওইরগদবা লমদুদগী ইন্দিয়াদা, ইন্দিয়াদগী মুসলিমশিংনা পাকিস্তান’দা পাক্তক্লনা খুন হোংবগী ৱাহৌদা হিন্দু-মুসলিম হাৎনখিবা-থম্মোয় অনী মচেৎ তাখিবা-ঙসিসু কাউবা ঙম্নদনা, পুন্সি চুপ্পা য়েক্নরগদবা ফুরুপ অনী ওইরকখি। ৱারেপ অমগী মহয়নি।

চহী চা কয়াদগী ময়ূম ওইনা লৈরক্লবা, খোয়রী-লীশাং ফুম্মখিফম ইন্দিয়াগী লৈবাক থাদোক’ঙমদ্রবা মুসলিমশিংদা পুকচেল চাউবা (মহা + আত্মা) গান্ধীনা থেমজিনখি ... পাকিস্তান’ দা চৎনীংদবা মুসলিমশিং, ইন্দিয়াদা মখা তানা লৈথহৌবা য়াগনি। গান্ধীগী ৱারেপ য়েৎপা ঙম্বা তম্বা অমা ইন্দিয়াদা লৈরমখিদে। ৱারেপ’তুগী মতুং ইন্না, পাকিস্তান্দা লৈখিবা মুসলমান মশীংদুদগী ইন্দিয়াদা লৈহৌবা মুসলিম মশীংনা হেল্লমখি। ইমুং অমত্তদা লৈমিন্নবা, তিন্নবা য়াদবা, ৱাখল তিন্নদবা মচীন মনাও অনীগুম লৈহৌখি, হিন্দু-মুসলিম কাঙলুপ অনী ইন্দিয়াদা।

মতুং ইকুই কুইদনা, মুসলিমশিংবু নাউ চাউহল্লি, হিন্দু অমা ওইরগা হিন্দুশিংগী পূক্নিং শোন্থহল্লি হায়দুনা ‘গান্ধী হাৎকদবনি’ হায়বা ৱারেপ অমসু লৌখি, হিন্দুশিংগী অচৌবা সভা অমনা। ৱারেপ’তুগী তুংইন্না, মালেম পুম্বই মীয়াম্না মকোক নোল্লিবা ইন্দিয়ন অমা, নোংমৈ মরু অহুমগা পুন্সিদুগা ওন্নখি।

অদুগা, কুমজা ১৯৪৯, সেপ্টেম্বর ১৫- মণিপুরগী নিংথৌ বোধচন্দ্র’না, শিংলোংগী মণিপুর ভবন’দা, শান্তি লৈরবা ইন্দিয়ন আর্মিশিংনা কোয়শিন্দুনা লৈরবা মফমদুদা, মথম্মোয়না য়ানীংদা’ অচৌবা, অহকপা ৱারেপ অমা লৌখি। নীংতম্বগী মহাউ ফংবতা ঙায়রিবা মণিপুর, মশানা মশাগী লৈঙাক পথাপ শেমদুনা, মশানা ঙাকচরনি খন্দুনা মীখল ফাওবা পাঙথোকখ্রবা মণিপুর, অতোপ্পা নীংতম্বতা ঙায়রিবা, মশাগী লৈঙাক পথাপফাওবা শেমদ্রিবা লৈবাক অমদা পুনশিনবগী, (মীখা পোনবগী অতোপ্পা লোন) য়ানচে অমদা মণিপুরগী নিংথৌনা মশাগী খূৎয়েক পীথোকখি। নীংতম্না পানজরম্বা, মশাগী ৱারেপ লৌজরম্বা লৈঙাকপা ওফিসর মচা অমগী য়াথং অমদি মীনুংশিগী মখাদা হিংবা হৈনবা অনৌবা পুন্সি অমা তপ্না তপ্না শেমগৎলকখি। নমফুন্দা লৌহনখিবা নিংথৌগী ৱারেপ অদুনা থোকহল্লকপা লোইবা নাইদ্রবা ৱারীনি। অতোপ্পা ৱারেপ কয়া অমসু লৌহনখিবনি অনৌবা মীরোল অমদা।

অসিগুম্বা ৱারেপ নত্তবা অতোপ্পা খরসু নীংশিংসি। বোম্বেগী খুল্লক-ইরক্তা, ফি চোইনা য়োনবা চৎলম্বা ধিরুভাই অম্বানি’না, মাগী বিজিনেস রাইবেল ‘বোম্বে দায়িং’ গী মপূ ‘নুসলি ৱাদিয়া’ গা লম্বা তৌনরগা ৱাশকখি - ‘ইন্দিয়াগী মীয়াম পূম্বসি ঐগী খূবাম্লুংদা থমগনি’। ‘ভারত মেরি মুথি মে’ হায়বা স্লোগান অমা শেমদুনা ৱারেপ অমা লৌখি ‘রিলায়ন্স কৌবা বিজিনেস এম্পায়র অমা লিংখৎকনি’। মশামক্না মঙজবা মঙ অদু মঙফাওনহনবা ঙমদ্রবসু মচা হাক্তক্তা মঙফাওনখি।

‘টাটা হায়বা মিং অসি ইন্দিয়াগী য়ুমথোঙ খুদিংনা শোন্নবা মিং অমা লিংখৎকনি’ - টাটা মোটোর কম্পনি লিংখৎলম্বা ‘জমসেদজি টাটা’ গী ৱারেপনি। ৱারেপ’তুগী মহয়নি - ঙসিগী টাটা বিজিনেস এম্পায়র।

‘তুমিৎ অমা ফাওবা হাত্তনা বৃটিশ ফোর্সকা লাম্থেংনদুনা, বৃটিশশিংবু তাম্থোক্কনি, ইন্দিয়াগী নীংতম্বা পুরক্কনি’ - মহাত্মা গান্ধীগী ৱারেপনি।

লৌখিবা ৱারেপ হোংদবা অমেরিকাগী হেনরি ফোর্দ’না, মীগী ৱাকৎ তাদনা মালেমদা খ্বাইদগী মশক থীবা কার, ‘টি মোদেল’ পুথোকখি। অদুমকপু মাগী অতোপ্পা ফিরেপ অমনা ‘ফোর্দ মোটোর কম্পনি’ - মালেমগী খ্বাইদগী মমিং চৎপা কম্পনি অমা ওইরকখি। অমেরিকাগী খ্বাইদগী ইনাকখুনবশিংগী মরক্তসু চনঙমখি।

পঞ্জাবকী খালিস্থান নীংতম ঈহৌদা, ইন্দিরা গান্ধীনা, অমৃটসরগী গোল্ডন টেম্পল’দা ইন্দিয়ন আর্মি থাজিন্নবা ফিরেপ লৌখিবদুনা মশামক্কী থৱায় মাঙনবা মরমবুদি ওইখি হায়ববু খালিস্থান কৌবা অনৌবা লৈবাক অমগী য়ূমফমদুদি থোলহনখিদে।

বৃটিশশিংগী লোইলম লৈঙাক্তগী অমেরিকাবু নীংতমহন্নবা, কুমজা ১৭৭৬, জুলাই তারিখ ৪ দা ‘ফিলাদেলফিয়া’ দা অমেরিকা মচা ৫৬ না ৱারেপ অমা লৌখি - ‘অমেরিকাগী নীংতম্বা লাউথোকপা, ইশা-ইশাবু অশিবগী খয়াৎতা লংশিনবা’। অমেরিকানশিংনা ‘মতম পূম্বগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা ৱারেপ’ অমনি হায়না শিংথানরিবা দিক্লারেসন অদুনা অমেরিকাগী নীংতম্বা পুরক্লম্বনি।

ঐখোয়না ঙসি ঙাইরি - ইমা লৈবাক মণিপুরগীদমক থৌনা ফবা, অহকপা ৱারেপ লৌবা ঙম্বা লুচিংবা অমা। নৎত্রগা ইমাগী মীংচৎ চীংলোন মাপন লান্না শন্দোকহনবা ঙম্বা, তুংলমচৎ উবা লল্লোনবা অমা। ঐ হিংগে, নঙ শিয়ু - হায়বা ঐখোয়গী ইরৈচাশিংগী ৱাখলসি কৈদৌঙৈনো হোংলক্কদবা!

# লুরিবদি রেদ বিকন লাইট লৌথোকপা নত্তে

**সোরোক নোরেন**

***ভি আই পিগী*** গাড়ীদা রেদ বিকন লাইট হাপ্পা নৎত্রগা লৌথোকপসিনা মীচম মীয়ামদা করি খেন্নবা পীরিবগে? হান্নগী হান্না হামু হামু হায়বদুনি। লুরিবদি চেং কেজি অমগী মমল সুপর ফাইন্দা লুপা ৩০ পীরিবসিনি। ভি আই পিসু, মীচমসু সুপর ফাইন ৱান্দবা য়াদ্রবদি লুপা ৩০ পীবা তাই। ভি আই পিগী গাড়ীদা রেদ বিকন লাইট অমা ফিট তৌবদা কয়া য়াম্না চঙবা অমদি অচঙমল কনানা পুথোকপা কনানবু খঙলুগবনো। অচৌবগা মচাগা খেন্নবা থম্বদা করিগী নুংনাংফম থোকপগে। হায়নরিবদুদি অচৌবনা মহুম চাউনা, অপীকপনা পীকনা। মসিদি তাইবঙ শেম্বীবা মপূনা য়াৎতুনা থল্লম্লবনি।

অচৌবা মীওই হায়রিবসি থৌদাং য়াম্বা, থৌদাং চাউবা লৈবাকসিগী মপূ ওইদুনা অফ-ফত্ত শেম শারিবা খুদিংমক মকোক্তা থোনগৎতুনা লৈবদুনবু অচৌবা মীওই হায়রিবনি। চাউদবা য়ারোই, মশানা চাউবা তাবনি। চাউরিবমখৈ য়েক্লবসু মশীং য়াম্লি। মরম অদুনা অকনবা ঙাকশেন থৌরাং কয়ামরুম লৌখৎতবা য়াদে। মসিদা চাউজনীংবা চাউজনীংদবা থোইনা মরু ওইরোই নীংই। হোই পূম্নমক নাম্থোকপা ঙমদ্রবসু অচৌবা মচা খায়রোই হায়বা ৱাখল্লোন অসিবুদি করিগী তরাম্না ওক্লোই। ৱাখল অসি মপূং ফানা লৈরিবমখৈ অঙম্বশিংদা মীচমশিংগী খুদোংচানবা হোৎনবদি শোয়ররোই খল্লে। অদুগা নোংমগী চরা তান্দুনা কোকথোং মচি লাংলিবদুদি রেদ বিকন লাইট করিনো খঙলোই। খঙবগী কান্নবসু অদুক হাক্না মথৌ তাদে। ভি আই পি কলচর, লায়রবা কলচর কনানবু শেল্লিবগে। ভি আই পিদি ভি আই পিনি। অদুমক চাউদুনা লৈরগদবা। হান্নগী সী এম ও ইবোবীনা ফম্লম্বা চৌক্রিদু লুপা লাক্ষমুক পী গাইনা হায়নবা তাখি। মদুমক ওইরমগনি ঙসি সী এম এন বিরেন্না ফম্বিরিবসে। অদুবু সেক্রেটরিয়েটকী সেক্সন ওফিসার অমনা ফল্লিবা চৌক্রি মরুওইনা সেক্সন অদুবু পান্নরিবা কৌবনিনা এল দি এ, য়ু দি এ মরক্তা নৈবা তাবনি। ওনরেবল সী এমগী ওফিস চেম্বর দেকোরেট তৌদবা য়াব্রা। রেসিদেন্সিয়েল বঙ্গলো টাইপ থ্রি ফোরগী ক্বার্টরদা লৈবা য়াগদ্রা। সেক্যুরিটি গার্দ, সিভিল অমদি য়ুনিফোর্ম শেৎপা পূম্নমক অমতা লৌদবা তাবরানে। হৌজিক হৌজিকমক ওফিসতনা কয়া, বঙ্গলোদনা কয়া, গাড়ী তোংদুনা লম্বীদা চৎপা তারগনা কয়া য়াম্না লোইনবা। য়ামখ্রবা মীয়ামনি। চীফ মিনিষ্টর অমনা শীজিন্নরিবা থাগী তলব ফংদুনা ইমুং মনুং পুরিবা লৈঙাক্কী থৌমীশিং। কনানসু হঙ্গৎনা য়েংবগী শক্তি অমদি থৌনা লৈবা নত্তে। ফংফম অমদি লৌফম থোকপনি। লৈবাকসিগী কনষ্টিট্যুসন্না অমসুং প্রোটোকোলগী চৎনবী মতুংইন্না পীবা তারি।

অদুবু ওনরেবল সী এম এন বিরেন্না লৈঙাক্কী থৌদা পুবা কুইদ্রিঙৈদা ইরমদমসিগী ইনিংথৌ মীং ওইনা পঞ্জরবদা লৈশেম্বা সনাজাওবদা লৈঙাক্কী থৌমী খরা ইনিংথৌগী থৌগল ফংহনবীখিবদুদা ইহান হান্না থাগৎচখিবদুগী মনুংদা ঐসু অমনি। অসুম্না ওনরেবল সী এমনা ইনিংথৌবু ইকায়খুম্নবা উৎপিখিবা অদুগুম ইরমদমগী মীচম মীয়াম পূম্নমক্নসু ইনিংথৌ অনীবু ইকায়খুম্নবা উৎচরিবনি। বিকন লাইট হাপকেরা হাপ্লোইরা ঐখোয়দদি অম্মানি। বিকন লাইট শীজিন্নদ্রবসু ওনরেবল সী এমনা টুর প্রোগ্রাম ওইগেরা, ওফিসিয়েল ওইগেরা চৎকদবা লম্বীদুদা পুং ২/৩ গী মমাঙদা লাইন ক্লিয়র ওইনবা সেক্যুরিটিনা ৱাই চাইদুনা থম্বা হায়বসে রুটিন ৱার্কনি। মসিদবু করিগী রেদ বিকন লাইট মথৌ তারিবগে। সেন্তরগী ওফিসিয়েল দেকোরম ওইরগদি মদুনা অতোপ্পা ৱাফম অমনি। অদুগা ইরমদমসিগী মীচম মীয়ামগী মায়কৈদগীদি ওনরেবল সী এম নৎত্রগা কেবিনেট মিনিষ্টরশিংগী গাড়ীদা রেদ বিকন লাইট শীজিন্নবগীদি থোইদোক্তে। মীচম অমা ওইনা ৱাকৎচনীংবদি থা অনী মপূং ফাদ্রবসু খোঙজেল য়াংনা চৎপা হৌরক্লিবা লৈঙাক্কী থৌদাং তুং হনবীগনু অসিনি। অচৌবা থৌদোক অনীখক্না মরিং মরাংহল্লম্বা অমদি থোকখ্রে। মসিবু তৌগে হায়না তৌরিবরা নৎত্রগা অতোপ্পা কোলিসনশিংনা থৌইনশিন অমা ওইবদগীরা নুংদি নুংঙাইখিদেকো। মেদিকেল দিরেক্টর সস্পেন্দ তৌখিবদু দিরেক্টরগী কা হেনবা ইন্টিগ্রিটি ৱাৎপা ওইরম্বসু য়াই হায়ববু, মেদিকেল মিনিষ্টরনা রিজিগনেসন লেটর পীশিল্লিগা হায়বদুগা মরী চাউনা লৈনৈদি ঙাঙনখি। মসি ওনরেবল সী এমগী মথক্তনি হায়না প্রোপেগন্দা অকনবা তৌখিবদু লোইশিনখিদি হায়ববু খিত্তংদি ফজবা ৱাৎলি। অমনা এদভোকেট জেনরেলগী মতাং মতিক চাবা ময়াম অমা লৈরগদি ঐগীদগী খনবদা করি পামদবা মসিসু অরুবা ৱাহংনি। অসুম্না মচা-মচা, অচৌ-অচৌবা কয়ানা তুং মাং চপ্তুনা লৈরিবা ওনরেবল সী এমগী অকোয়বনি।

ঙরাং নহান অমুক মতম কুইনা তূমদুনা লৈরুরবা ইমপ্লোই ওর্গেনাইজেসন এম জি ও, এম টুকী জে এ সীগবুদি ৱারী শান্নরে হায়রিবসিনা করম্বা মায়ওন পুরক্কদৌরি। হীরম খুদিংমক চার্টর ওফ দিমান্দগী লিষ্ট ২২ অসে মরম চাবা ঙাক্তনি। পীফম থোকপনি, পীদনা লাক্লি। শাংলবা চহী কয়াগী দিমান্দ নমশিন্দুনা। ঙসিদি মতাং চারে লৈবাক্কী খনবীবা, ইমপ্লোয়গী খনবীবা লুচিংবা অমা থোরক্লে হায়দুনা। পূক্নিং হন্থবিগনু য়ূমথংনবনা সবেন পে পীবা ঙল্লগা করিগী ইরমদমনা তুং হনগদৌরি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকীদি থবক তৌবগী মতম চহী ৬২ অমুকসু শাংদোকখ্রে। মসিসু তৌবিয়ু হায়রক্কদৌরিবনি। ঐগী ষ্টেটসিদা পূন্না লৈমিন্নরিবা মীপুম খুদিংমক খেন্নবা থম্বসিদনি পূক্নিংসিনা ৱারৌনরক্লিবসে। সেন্ট্রেল সার্ভিসতা থবক তৌবগা ষ্টেট সার্ভিসকা খেন্নরবসু মফমদি অমতনি। মার্কেট অমতনি। লম্বী সোরোক অমতনি। সেন্ট্রেলগী ওইবা ওফিসখক্তনি তোখাইরিবা। চৎনরিবা শেলয়েকসু অমতনি ইন্দিয়ান রুপী। অদুগা খূৎশুমলনা করিগী খেন্নহল্লিবা। অরাকপা পে কমিসন অমুক্তা মতম চানা পীবিবগী কাঙলোন ঙসি ফাওবা থেংনরক্ত্রি। পীরবসু এরিয়র মৎপী মৎপীদুনা লাক্লি। অদুগা রেদ বিকন লাইট লৌথোকপনা অচুম্বা লম্বী ওইগদবদি নত্তে। মপূং ফাবা খূৎশুমল হায়বসিদি চপ মান্নফম থোকই। রুল অয়াম্বসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মপান তাংদুনা শীজিন্নরিবা ঙাক্লি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা। ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোই অমা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌরমদাইদদি সেন্ট্রেল সার্ভিস রুলগী মখাদা হায়বদি রুল ১০ (১) (এ) সী সী এস (সী সী এ) রুলস ১৯৬৫ গী মতেং লৌদুনা খূৎয়েক পীরগা অঙম্বদুনা য়াথং তাওথরবকান্দা চৎনরিবনি। অদুবু খূৎশুমল হেনগৎনবা হায়জরুবদদি পীনিংঙি, পীনিংঙাই শেল থুমদি মরাং কায়দে হায়দুনা নমশিন্দুনা লাকপা ঙাক্লি। হোই, অদুবু হৌখিবনা হৌখিবা ওইরবসু অনৌবা লৈঙাক্নদি লায়র ইনাকখুনবা, অচৌ পিশক্কী, অনেম অৱাং লৈহল্লোই হায়রিবনিনা অচৌবা মঙলানসিমতং ইরমদমগী থৌমীশিংদা থম্বীরসি।

চউমদ্রিবা অঙাংগুম অনৌবা লৈঙাক্না থা অনী মপূং ফাদ্রবসু পায়খৎফম থোকপা থবক থৌরম কয়াদি মপূং ফানা পায়খৎলি হায়বা তাই। থা মরি মপূমগী ইকনমিক ব্লোকেদ পুং খরগী মনুংদা লৌথোকখি। চীফ মিনিষ্টর উখ্রুল খোঙচৎ মায় পাক্তুনা হৱাউ তরাম্না ওকখি। চুড়াচান্দপুরগী ৱারী মপূং ফানা শান্নরি। ইন্টিগ্রিটি লৈতবা, লৈঙাক্কী থৌমী অনী অচৌবা অমা, মচা অমা তঙ্খায় শিহন্দুনা অকনবা চৈরাক পীদুনা শেঞ্জা থুমজা তৌহল্লোই খুদম পীদুনা তাক্লি। ফমিন্নদুনা ৱারী শান্নহৌদবগী মিনিষ্টরগী নিঙাই নুংশাদা লেন্না তুম্বগুম খঙহৌদনা মাঙখি। পরিং চুম্না চৎপগী মমি লেপ্পা লৈতনা খূৎ থাঙ্গৎলকপসু লেপত্রি। মসিমক্তি অচুম্বা খোঙথাং হায়বদু ওইগদৌরমাল্লে। ৱাথোক লৈতবা, ইং তপ্পা ইরমদম অমদি ওইহন্নবা হোৎনবিরো। অসিগুম্বা অওনবা লৈঙাক অমা পামদুনা খৌরাংনা ঙাইরকপগী খুদোংচাবা হন্দক্কী লৈঙাক্না লৌবিফম থোক্লে। করিগুম্বা নাম্থোকখিবা তারবদি হৌগৎপদি ঙল্লরোই ঐগী শোত্থরবা ইরমদম। পূম্নমক্লসু মতেং পীরক্কনি খল্লি চৎলিবা খোঙচৎ অসিগী মমিসিনা শামদ্রবদি। নহারোল অলল্লোন খুদিংমক্কী মায়থোংদা মোমোন মিনোক অমদি উরি। মসি তুং কোয়না চৎনবা হোৎনবদা ঐখোয় পূম্নমক্কী থৌদাংনি খনমিন্নবা মথৌ তারে। ঙরাংদা ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা ওনরেবল ৱার্ক্স মিনিষ্টরনা শেমজিল্লিবা জিরি লম্বী য়েংশিনবা চৎপদা লৈঙাক্কী গাড়ীদা বিকন লাইট শীজিন্নখিদে। অদুবু মিনিষ্টর ওইনা অদুম হল্লকখি। হাপ্লবসু য়াবা, হাপত্রবসু য়াবা বিকন লাইট করিগীনো অচৌবা ইস্যু অমা ওইনবা হোৎনরিবসিনা। বিকন লাইটকী কান্নবসিবু কদাইৱাইদনো। ঐখোয়গুম্বা মীচম ময়াম অমনা পূনশিন্দুনা গনতন্ত্রগী মীংদা মখোয়বু মীহুৎ ওইহল্লি। অদুগা মীহুৎশিংদুগী মরক্তা অমুক হন্না মতিক চাবা নৎত্রগা মপূং ফাবা খন্দুনা সী এম ওইনবা খল্লিবনি। মতাং অসিদা লৈঙাক্কী লুচিংবা হায়বদো ওইরে য়ারে।

অদুবু লুচিংবা অমগী তৌফম থোকপা মথৌ মশক খঙনা তৌবগী তঙাইফদবদুদি চেনবা তাই। ক্বার্টর অফবা ফৎতবা নৎত্রগা বিকন লাইট শীজিন্নবা শীজিন্নদবদা মমল লেপ্পা লুচিংবদুদি মীয়াম্না য়াই হায়না লৌবা য়ারোই। লৈঙাক হেক শেম্বা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা ক্বার্টর মুন্নবগী থৌদোক পাউনিনখোন ওইনা তাখিবদু অদুগুম্বা থৌওং মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা হোৎনবিয়ু। অশোয়বদা থিনা ঙাঙনগদবগী ময়া কাদুনা লৈরিবা মীয়ামগী ৱাকৎ তরাইনা লৌবসু লানগনি। লুচিংবা ওইরবনিনা ৱাঙাঙ শাঙাঙসু মীকুপ খুদিং চেকশিনবা মথৌ তাই। ৱাহৈ অমা হায়বসে মমল য়ামখ্রবা পাউতাক্কা চপ মান্নরিবনি। লমজিংবা ৱাহৈ ওইগদ্রা হায়রগা লম্মাংনবগুম থোল্লবদি মদুনসু হেন্না খুদোংথিনিঙাই ওই। হৌজিক ঐখোয় পূম্নমক্কী মাংদা তাদুনা লৈরিবা অরুবা সমস্যা খরা হায়বা তারবদি জিরি লম্বী, চুড়াচান্দপুর ৱাথোক, ইন্নর লাইন পার্মিট, ইমপ্লোইগী জে এ সীগী ইরাং মসিসু তরাইনা লৌবা য়ারোই। লিশীং ৬০/৭০ গী এপেক্স বোদি অমা ওইরিবা মদুগীসু মথক্তা মখোয় পূম্নমক্না অমুবা বেজ থেৎতুনা নুমিৎ ১০ নি ২০ নি ষ্ট্রাইক চঙশিনখ্রবদি বিকন লাইট গাড়ীগী মপাঙ্গল ময়াই চমখিবা য়াই। অদুবু মসি হায় হায়দুনা ইমপ্লোইশিং অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎপসু তৌজরোই। মখোয়সু ঐখোয়গী ইচিন ইনাও ঙাক্তনি। মখোয়গী মপাঙ্গল মথৌনা, মরিংজেল পূম্নমক লৈঙাক্কী থৌগলদা মহাক্কী মতমনা লৈরিবমখৈ কৎথোক্তুনা লাক্লবনি। মখোয়শিংগীদমক্তসু তৌবিমল অমদি হায়জরকপা ৱাহৈ কয়াদা পীবীনবা হোৎনবা হায়বসিসু তঙাইফদবনি লৌহঞ্জনীংই। বিকন লাইট অমগী মমলগা চার্টর ওফ দিমান্দ অমগী মমলগা কৈদৌঙৈদসু চাংদম্নবা য়ারোই। লৈঙাক্কী থৌমীশিং পেলহনবা হায়বসিসু থাদোকপা য়াদ্রবা অচৌবা পোৎলুম অমনি।

অরোইবদা, চৎলিবা পুন্সি খোঙচৎসে লোইবা নাইরক্কদৌরিবনি হায়বসিমতং লুচিংবশিংনা কাউদবা ঙল্লবদি ফনা য়াম্নদি খুমাং চাওশিল্লে নীংলসি। রেদ বিকন লাইট হাপকে হাপ্পু, লৈঙাক্না তৌবিগদবদি শোত্থরবা খুন্নাইসে মালেমদা মপূং ফাবা খ্বাইদগী শান্তি লৈবা লমদমনি হায়বদুমতং থমহন্নীংই। শান্তি হায়বা ৱাহৈ অসিনা পূম্নমকপু অমতা ওইনা পূনশিল্লগা রেদ বিকন লাইট থান্দবা গাড়ী থৌবা লমদম অমদি ওইরে হায়বসে ঐখোয় পূম্নমক্না হোৎনমিন্নবা মথৌ তারে।